# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Friday, April 23, 2021, Imphal | Page 11




কুমজা ২০২০-২১গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকীদমক সর্ভিয়াবু মায়থীবা পীদুনা স্কোটলেন্দনা ক্কালিফাই ওইখিবা তাঞ্জাদা হরাউবা ফোঙদোকখিবা স্কোটলেন্দগী মমাংদা কোচ ওইরম্বা মমিং লৈরবা হান্না মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকীসু কোচ ওইরম্বা অলেক্স ফর্গুসন

য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসননা অয়াবা পীরবা মতুংদা চহী অসিগী তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা নুপাগী মেটচশিংদসু ওফিসিএট তৌবগী অয়াবা পীখ্রবা ফ্রান্সকী রেফরি ষ্টিফানি ফ্রাপার্ট



## রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রাজস্থান রোয়লসপু বেটসমেন অমত্তা আউট ওইদনা ৱিকেট ১০দা থোইখ্রে



মুম্বাই, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা মেটচতা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রাজস্থান রোয়লসপু য়াম্না হেনবা মওংদা বেটসমেন অমত্তা আউট ওইদনা ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখ্রে।

মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৭৭ খক লৌবা ঙমখি। মরুওইনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী বোলরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা এটেক চথখিবা মরম্না রাজস্থান রোয়লকী ইন্নিংস অদু রন চাওনা লৌবা ঙমখিদবনি।

রাজস্থান রোয়লসকী হৌরকপা ইন্নিংস ফীভম শোকখি। ওপনর জোস বটলর অমসুং ভোরা মথংশিংনা রন ৮ অমসুং ৭খক লৌখি। মরিশুবা বেটসমেন মিলর রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন সিবম দুবেনা বোল ৩২দা রন ৪৬ লৌবা ঙমখিবা অমদি ৭শুবা বেটসমেন রাহুল টিৱাটিয়ানা বোল ২৩দা রন ৪০ লৌখিবা ইন্নিংস অনী অদুনা রাজস্থান রোয়লসকী অপূনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭৭ য়ৌহনবা ঙমখি।

রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী বোলর সিরাজ অমসুং হর্শল পটেলনা রাজস্থান রোয়লসকী বেটসমেন ৩/৩ আউট তাহনখি। লোয়ননা জেমৈসন, রিচার্দসন অমসুং সুন্দরনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রন ১৭৮ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী ওপনর অনী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং দেবদট পরিকলনা আউট ওইদনা ১৭শুবা ওভরগী বোল ৩ শুবদা রন ১৮১ য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না রাজস্থান রোয়লসপু ৱিকেট ১০দা থোইখি।

ভিরাট কোহলি অমসুং পরিকলগী ইন্নিংস অদু য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইখি। চথরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি। ভিরাট কোহলিনা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭২ লৌবা ঙমখি। অমরোমদা, নহা ওইরিবা দেবদট পরিকলনা বোল ৫২ মায়োক্লবদা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১০১ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয় অনীনা মায় পাকহনখিবনি।

রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী বোলর রাহুল টিৱাটিয়ানা শুপ্পগী ওভর ২ লংবদা রন ২৩ পীদুনা টিম অদুগী বোলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শোনবা ওইখি। খৃস মোরিসনা শুপ্পগী ওভর ৩ লংবদা রন ৩৮ পীখি। লোয়ননা শ্রিয়াসসু ৩ লংবদা রন ৩৫ পীখি। অদুগা রিয়ান পরাগনা শুপ্পগী ওভর ১খক লংবদা রন ১৪ পীখি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা প্রেমিয়র লীগকী টেবল মখা তানা মাঙজিল থারি



লন্দন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): ঙসি অঙনবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অসিগী ওইনা ৩৩শুবা মেটচ অদুগা এষ্টন ভিল্লাগীনা ৩১শুবা মেটচতা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙম্লি।

এষ্টন ভিল্লানা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ভিল্লা পার্কতা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ূম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১গী মনুংদা ওলি ৱেটকিন্সনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট জোন মেকগিননা পাঞ্জল চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

পনবা য়াবদি, এষ্টন ভিল্লা মমাংদা মেটচ ৩০ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪৪ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, হান্নদগী মাংজৌননা প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবল মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ৩২ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭৪ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট ৮ হেন্দুনা মকোক্তা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটি ঙন্না পাঞ্জল শোথরবসু টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা বর্নারদো সিলভানা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ফিল ফোদেননা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু অমুক লেং মান্নরকখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইশিল্লক্লবদা এটেক চথবগী চাং ৱাংখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা বর্নারদো সিলভানা অমুক্কা হন্না খায়দোরকপা বোল অমদা টিমমেট রোদ্রিনা ৪০শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা মখোয়না এষ্টন ভিল্লাবু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী মখোয়না হেল্লিবা পাঞ্জল অদু ঙাক্তুনা লৈখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা সাউথমটনবু ২-১দা থোইদুনা পোজিসন অমা হাইগৎলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী জেরেথ বেল অমসুং হিয়ুং মিন সোননা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা সাউথমটনগীনা দেনিনা চনখি।

## য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবনা পর্মাবু ৩-১দা থোইদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা হাইগৎনবা কন্না হোৎনরক্লি



রোম, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টগী হৌখিবা সিজনগী টাইটল লৌবা ঙল্লিবা য়ুভেন্টসনা ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৩২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পর্মা ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক থোংদুনা লৈরিবা ইন্টরবু তানখৎননবা য়াম্না কন্না হোৎনরক্লি।

য়ুভেন্টসনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়ান্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ঙসি অঙনবগী মেটচ অদুদা পর্মাগী মায়কৈদগী ঙন্না এটেক চথরক্তুনা পাঞ্জল চনবসু ঙমখি। পর্মাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা গেষ্টোন ব্রুগমেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী শান্নবগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা মাটিস দি লীদনা পীরকপা বোল অমদা এলেক্স সেন্দ্রোনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্দা লৈনরগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ঙল্লিঙৈ য়ুভেন্টসকী অথুবা এটেক অমদা জোন কোদ্রাদোনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এলেক্স সেন্দ্রোনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পর্মাবু ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী মখা চথরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী জোন কোদ্রাদোনা পীরকপা বোল অমদা মাটিস দি লীদনা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-১দা থোইদুনা টিম অদু পোইন্ট ৬৫ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি। পোইন্ট ৭৬ ফংলিবা ইন্টরনা স্পেজিয়াগা ১-১দা ড্রো চৎখি।

## ৱোল্ফসবর্গনা ভি এফ বি ষ্টুটগার্দ ৩-১দা থোইদুনা বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে

বর্লিন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): জর্মনিগী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙসি শান্নখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ভি এফ বি ষ্টুটগার্দপু ৱোল্ফসবর্গনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱোল্ফসবর্গকী টিম লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ষ্টুটগার্দনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ মর্সিদিজ বেঞ্জ এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অদু ৱোল্ফসবর্গনা ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা ৱোল্ফসবর্গকী মায়কৈদগী জাবর স্কলাগরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং ষ্টুটগার্দকী মায়কৈদগী পাউখুম হনবা ঙমদ্রিঙৈদা শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা অতোপ্পা ৱোল্ফসবর্গকী শান্নরোয় ৱোট ৱেগহোর্সনা টিমমেট জোসিপ ব্রেকালোনা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।


অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ১৫ রোম পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ২০শুবা মিনট অদুগা শান্নবগীনা ৬৫শুবা মিনটতা ৱোল্ফসবর্গকী মায়কৈদগী জোসিপ ব্রেকালোনা অমুক্কা হন্না পীখিবা বোল অমদা য়ানিক গরহার্দনা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিনখি।

ভি এফ বি ষ্টুটগার্দকী শান্নরোয়শিংনা শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকখি। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা টিম অদুগী গোঞ্জালো কেষ্ট্রোনা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মখোয় ৱোল্ফসবর্গকী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীবা নংখি।

মায় পাক্লবা ৱোল্ফসবর্গকী টিম মেটচ ৩০ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫৭ ফংদুনা হান্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি অতোপ্পা মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ৫শুবদা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 88**

**Timoscenko, Gennadij - Grigorian, Levon Ashotovich**

**URS-ch sf Kiev, 1970**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 c5 | 3.Nf3 cxd4 | 4.Nxd4 Nc6 |
| 5.Nc3 d6 | 6.Be3 Nf6 | 7.Bc4 a6 | 8.Qe2 Qc7 |
| 9.Bb3 Be7 | 10.O-O-O O-O | 11.g4 Nxd4 | 12.Rxd4 Nd7 |
| 13.g5 Nc5 | 14.Qh5 g6 | 15.Qe2 f5 | 16.exf5 Rxf5 |
| 17.h4 b5 | 18.h5 Nxb3+ | 19.axb3 Bb7 | 20.Rh3 Bf8 |
| 21.hxg6 hxg6 | 22.Qd3 Rc8 | 23.Ne4 Bxe4 | 24.Qxe4 Kf7 |
| 25.Rh7+ Bg7 | 26.Rd2 Rh8 | 27.Rxh8 Bxh8 | 28.Qa8 Bg7 |
| 29.Qxa6 d5 | 30.Re2 d4 | 31.Bd2 Qd7 | 32.f4 Rc5 |
| 33.Re1 Rc6 | 34.Qa8 Qc7 | 35.f5 gxf5 | 36.g6+ Kf6 |
| 37.Qe8 Rxc2+ | 38.Kb1 Rxd2 | 39.Qxe6+ Kg5 | 40.Rg1+ Kh6 |
| 41.Qxf5... | | | |

**QUESTION :**

**Black wins in 4 moves**

**Puzzle 87 Ans. :**

**21.** h3 Bxf3 **22.** Qxf3 Qh2+ **23.** Kf1 Rd2 **24.** Rxd2 Rxd2 **25.** Qa8+ Kg7 **26.** Ke1 Rxf2 **27.** Bd3 Qg1+
**27.** ...Qh1+ **28.** Bf1 Qxf1# **28.** ...Rxf1+
**28.** Bf1 Qxf1# **28.** ...Rxf1+
**21.** ...Bxf3 **22.** Qxf3 Qh2+ **23.** Kf1 Rd2 **24.** Rxd2 Rxd2 **25.** Ke1 Rxf2

### জর্মন এথলিট বোদিনা চেলেঞ্জ তৌরক্লি

বর্লিন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী রুল নম্বর ৫০দা পীরিবা পোলিটিকেল, রিলিজিয়স নৎত্রগা রেসিএল প্রোপেগন্দাগী মওংদা উৎপা থৌওংশিংগী অথিংবা থল্লিবা অদুগী মায়োক্তা জর্মনিগী এথলিট এসোসিএসননা চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে।

আই ও সীনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস মনুংদা হায়রিবা রুল অসি চৎনগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু জর্মনিগী এথলিট এসোসিএসননা ফুরুপ মশেল মান্নবগী মায়কৈদা শৌগৎলদুনা শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা খূউ নাম্মা লৈখা তাবা নৎত্রগা খূৎতুম থিনগৎপনচিংবা থৌওংশিং অসি পাঙথোকপদা শান্নরোয়শিংগী মায়োক্তা অথিংবা থম্লোইদবনি হায়না চেলেঞ্জ তৌরকপনি।

পনবা য়াই, য়ু এস এদা কুচু মুবা কাঙলূপশিংগী মায়োক্তা কুচু ঙৌবা পুলিস ওফিসলশিংনা অহেনবা শাফ্ শীজিন্নদুনা নমথনবা হোৎনবগী মওংদা হাৎপা ফাওবা য়াওখিবা অদুগী মায়োক্তা শান্নরোয় ফুরুপনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌওংশিং অসি চথদুনা লাকপনি।


HL-P/9651/19-28/4

Resonance® Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE

A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan

Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota

Physical Classes from Subject Expert of Kota

Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED

- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:

Visit: Nachom Edu Foundation

(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)

3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001

Call: 9402979552 / 8794961535

HL-B/6894/3/4-31/5

MEGA MOCK TEST FOR X AND XII

THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22

CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE

NO EXAM FEE

CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS

NO EXAM FEE

LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.

◆ QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.

◆ TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.

FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | –26/04/'21 |
| 2. SCIENCE | –28/04/'21 |
| 3. ENGLISH | –30/04/'21 |
| 4. SOCIAL Sc. | –02/05/'21 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | –25/04/'21 |
| 2. PHYSICS | –27/04/'21 |
| 3. CHEMISTRY | –29/04/'21 |
| 4. BIOLOGY | –01/05/'21 |

FORM WILL BE AVAILABLE @ ADVANCED COACHING INSTITUTE

NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI

FOR QUERY : 9862992105